১৫শুবা দি এস এ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এস দব্লিয়ু সী কৈরক্লা য়ু সী সী ককচীংবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এগী শান্নবুংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা ১৫শুবা দি এস এ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী শান্নখিবা মেচতা এস দব্লিয়ু সী কৈরক্লা য়ু সী সী ককচীংবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৯না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৩ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ১৫শুবা দি এস এ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা গ্রুপ বিগী য়ু সী সী ককচীং অমসুং এস দব্লিয়ু সী কৈরক শান্নখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতমদগী হৌনা মেচ অদু এস দব্লিয়ু সীনা য়ু সী সীবু য়াম্না লাকশিন্দুনা শান্নবা উখি। মেচকী ৩শুবা মিনটতা এস দব্লিয়ু সীগী ঐচ রিসিরাজনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মেচকী ২৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী টি ঐচ থোইবনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু এস দব্লিয়ু সীনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চংখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা এস দব্লিয়ু সীনা য়ু সী সীবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা মেচকী ৩৯শুবা, ৫৪শুবা অমদি ৬২শুবা মিনটতা এ কে ইবোমচা, টি লমঙানবা অমদি বিদ্যাকান্তনা পাঞ্জল ৩ মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস দব্লিয়ু সীনা পাঞ্জল ৫-০দা মায় পাকখি।

# বুশন্না চেম্পিয়ন অমদি বিকিনা ৩শুবা তাখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএন এস): স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিরেক্টরেট ওফ স্পোর্টস এন্দ য়ুথ সার্ভিসেস মহারাষ্ট্রা, পুনেনা শীন্দুনা মুম্বাইদা থা অসিগী ৪দগী ৮ ফাওবা ষ্টেট ২৬তগী চহী ১৪ মখা অমদি ১৯ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচা ৫০০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৮-১৯ লোন টেনিস বোইজ অন্দর-১৪দা মণিপুরগী হাওবম বুষননা ইন্দিভিজুএলদা চেম্পিয়ন অমদি টিম ইভেন্টতা রন্নর্স-অপ অমসুং মণিপুরগী বিকি শগোলশেমনা ইন্দিভিজুএল ইভেন্টতা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# মোঙ্গোলোইদ ক্লবনা সিঙ্গিবোন এফ এবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮(ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবাম্না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা জন্যুৱারী ২৮দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা মোঙ্গোলোইদ ক্লবনা সিঙ্গিবোন এফ এ টিমবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।



টিম ১৫না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ কয়া থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ২৮শুবা কে সী মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি মোঙ্গোলোইদ ক্লব অমসুং সিঙ্গিবোন এফ এ টিম শান্নখি।

মেচ অদু মোঙ্গোলোইদ ক্লবনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা সিঙ্গিবোন এফ এ টিমনা বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা ফাইনেল চঙনবগীদমক টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী য়াঙনা তক্লদুনা শান্নরকখি। অদুবু মেচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী মেচ অদু পাঞ্জল ০-০দা লৈনদুনা টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা মোঙ্গোলোইদ ক্লবনা সিঙ্গিবোন এফ এ টিমবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা দিগর ঐচ এস সী অমসুং ঐচ কে এল এফ সী টিমগা শান্নগনি।

১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ভেংথা ৱার্দ নম্বর থ্রীনা কে আই দব্লিয়ু এ টিগী বোল্লিবোল টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএন এস): কাংপোকপী য়ুথ য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা কাংপোকপী দি ঐচ কিয়ু এসতা লৈবা এম থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ভেংথা ৱার্দ নম্বর থ্রীনা নুপা অমসুং নুপীগী কে আই দব্লিয়ু এ টিগী বোল্লিবোল টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

কাঙ্গুইগী তোঙান তোঙানবা ৱার্দকী টিমশিংনা শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট কয়াদা চথরিবা ১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপা অমসুং নুপীগী বোল্লিবোল ফাইনেল ঙরাং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখি।

মেচ অদুদা কাংপোকপী টাউন কম্মিটিগী চ্যেরমেন লুনসে কিপজেন, কে দব্লিয়ু দব্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট হেকিম থাংসিং অমসুং কে ৱাই য়ুগী প্রসিদেন্ট তোনমিনথাং মিশাওনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। বোল্লিবোল মশান্নগী নুপীগী ফাইনেল মেচতা ৱার্দ নম্বর থ্রী-বিনা ৱার্দ নম্বর ৯-বিবু সেট ৩-০ (২১-১৬, ২১-২০, ২১-১৫দা অমসুং নুপাগী ফাইনেল মেচতা ৱার্দ নম্বর থ্রী-এনা ৱার্দ নম্বর ২-এবু মায়থীবা পীরম্লগা টাইটল লৌখিবনি।

# অহানবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট খেলো ইন্দিয়া থাঙ-তা কম্পিটিসন ২০১৯ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএন এস): হুয়েন লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ইম্ফাল ৱেষ্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা য়ূম্নাম হুইদ্রোমগী থাঙ-তা শঙলেন্দা অহানবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট খেলো ইন্দিয়া থাঙ-তা কম্পিটিসন ২০১৯ অন্দর-১৭ বোইজ এন্দ গর্লস ঙসি হৌদোকখ্রে।

য়ুনিট ১০গী নুপা শান্নরোয় ৫০ অমদি নুপী শান্নরোয় ৩৭ অমসুং ওফিসল ১৯ পূন্না মীওই ১০৬না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট খেলো ইন্দিয়া থাঙ-তা কম্পিটিসন ২০১৯ অন্দর-১৭ বোইজ এন্দ গর্লস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থোংখোং লক্সমি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৬কী কাউন্সিল্লর লাইশ্রম ইনাকখুনবী, হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমার, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম প্রিয়োকুমার অমসুং হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চা বাবুনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।



থাঙ-তা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা নুমিত্তা জুনিয়র বোইজকী ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টকী কেজি ৪০ মখাগী কেটেগোরিদা থাঙ-তা মহৈকোল য়ূম্নাম হুইদ্রোমগী থোকচোম শ্রীনিবাসনা গোল্ড, কংলৈ থাঙ-তা শিন্দমশঙ মাক্লংগী এন জি ভোলেন্না সিলভর অমসুং অঞ্জিকা শঙাইপ্রৌগী এস রবিনাসনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী কেজি ৫৬মখাগী কেটেগোরিদা থাঙ-তা মহৈকোল য়ূম্নাম হুইদ্রোমগী সেঞ্চুরি হৈস্নামনা গোল্ড, পহুলাসি ময়ায় কোয়বীগী কে চেতঞ্জিৎনা সিলভর অমসুং কংলৈ থাঙ-তা শিন্দমশঙ মাক্লংগী থোইথোইবা খুমন্থেম্না ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেজি ৬৪ মথক্কী কেটেগোরিদা পহুলাসি ময়ায় কোয়বীগী টি ঐচ মালেমঙানবা লুৱাংনা গোল্ড, থাঙ-তা মহৈকোল য়ূম্নাম হুইদ্রোমগী এল অথোইনা সিলভর অমসুং হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা একাদেমি য়ূম্নাম হুইদ্রোমগী ৱাই রোহিটনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। কম্পিটিসন অসিগী ঙসি ফাওবদা থাঙ-তা মহৈকোল য়ূম্নাম হুইদ্রোমনা গোল্ড ২ অমসুং সিলভর ১ ফংলগা মকোক্তা লৈরি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন মেন বোল্লিবোল ২০১৯

# কে এল ৱাই জি সী-এ, ঐচ ৱাই দি সী সী এল, এস ৱাই সী অমসুং আর ৱাই সী মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮(ঐচএন এস): কাংমোং লাঙ্গোলজম য়ুথ গাইদেন্স ক্লব (কে এল ৱাই দি সী) না শীন্দুনা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ) গী মীৎয়েং মখাদা কাংমোং লাঙ্গোলজম কাংজৈবুংগী লম্পাক্তা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা কে এল ৱাই জি সী-এ কাংমোং, ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈগ্রুজম, এস ৱাই সী সটুদাই (খৌপুম) অমসুং আর ৱাই সী মোইদাংপোক সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।



টিম ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচকী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা কে এল ৱাই জি সী কাংমোং অমসুং য়ু এস দি সী উপোকপী শান্নখিবা মেচ অদু কে এল ৱাই জি সী-এনা সেট ৩-১ (২৫-১৭, ২৫-২৩, ২২-২৫, ২৫-২১) দা; অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এস ৱাই দি সী সন্থেল লাক্তবদগী এস ৱাই সী সটুদাই (খোপুম) ৱাক ওভর ফংলগা; অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈগ্রুজম্না এ এম ৱাই সী অন্দ্রোবু সেট ৩-০ (২৬-২৪, ২৬-২৪, ২৫-২২) দা অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা আর ৱাই সী মোইদাংপোক্লা ৱাই দি সী য়াইরিপোক খোইরোম্বু সেট ৩-০ (২৫-২০, ২৫-১৯, ২৫-১৮) দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি। হয়েং অহানবা সেমী ফাইনেলদা কে এল ৱাই জি সী-এ অমদি ঐচ ৱাই দি সী সী এল, অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা এস ৱাই সী অমদি আর ৱাই সী শান্নগনি।


# L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | SALARY | AGE | BRANCH | VACANCY |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Computer Operator | Graduate(DTP/Tally) | Negotiable | 18-25 | H.Q | 3 |
| 2. | Office Assistant | Graduate (Computer Know) | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang | 2+2 +2+ 2+2 +2 |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | Negotiable | 18-25 | H.Q | 3 |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | Negotiable | 18-25 | H.Q | 5 |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | Negotiable | 18-35 | H.Q | 3+2 |
| 9. | Security | VIII Passed | Negotiable | 18-25 | H.Q | 5 |

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 15th Feb,2019

L.G.MOTORS | H.Q: [illegible]

BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU.

Please contact 9383154085

HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)


সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# ৱাই দি এ-দি অমসুং দব্লিয়ু এস দব্লিয়ু সী ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএন এস): দি য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন কৈরক মনিং লৈকায়না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ৱাই দি এ-দি কৈরক মনিং লৈকায় অমসুং দব্লিয়ু এস দব্লিয়ু সী ৱাবগাই ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখ্রে।

টিম ৩০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ১৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ১৭শুবা রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি এ -দি কৈরক মনিং লৈকায় অমসুং কে এম এস দব্লিয়ু সী কৈরক মুসলিম শান্নগদবা মেচ অদু কে এম এস দব্লিয়ু সী লাক্তবদগী ৱাই দি এ-দি অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দদা সনাজাওবা এফ সী লমজাও অমসুং দব্লিয়ু এস দব্লিয়ু সী ৱাবগাই শান্নগদবা মেচ অদু সনাজাওবা এফ সী লাক্তবদগী দব্লিয়ু এস দব্লিয়ু সীনা ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখি।

হয়েং লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা অহানবা গ্রাউন্দদা উচিৱা এফ সী অমদি এস দি ও পলেল শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ঙ য়ুনাইটেদ ককচীং চুমনাং অমসুং ককচীং ষ্টার শান্নগনি।

২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা থর্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এম এস সী অমসুং এস এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা পাৎশোই পার্টটুগী পময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এম এস সী মালোম অমসুং এস এফ সী তেরা খুরাইজম মায় পাকখ্রে।

টিম ১২না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী গ্রুপ এগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এম এস সী মালোম অমসুং এন এস য়ু অৱাং পোৎশংবম শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা এম এস সীগী জর্সি নম্বর ১৪ রঞ্জন্না চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এম এস সীনা এন এস য়ুবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস এফ সীনা জুবেনাইলবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com